থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মথোাঙ হুক্তবা থৌসিল এক্সপোজ তৌরিবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইক



নহান, ওগষ্ট ২১ দসু ইজখি - ইন্দিয়াদা লৈরিবা পব্লিক-সেক্তর বেঙ্ক পুম্নমক্কী ইমপ্লোয়ী অমসুং ওফিসর লাখ তরা হেনবনা নোংমগী খূৎশুমল কথোক্লগা ওগষ্ট ২২, ২০১৭ লৈপাকপোকপা নুমিত্তা থবক লেপ্পগী খোঙজং (ষ্ট্রাইক) চঙশিন্দুনা, মনা-কনবা, এন্তি-পীপল ওইবা লৈঙাকসিগী লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা বেঙ্কিং সেক্তর রিফোর্ম অমদি ইনাকখুনবই মীচঙদা (লায়রবশিংগী মায়োক্তা) পায়খৎপা থৌশিলশিংগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনগদৌরি। করিগী বেঙ্ক ষ্ট্রাইক? বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংগী মরুওইবা দিমান্দশিংদু করিনো হায়বদুগী মতাঙদা শন্নপ্পা পাউদম অমদি ইজখ্রে। অদুবু, পাউদমফম-কাখল অসিনা পীকমনবনা, হায়ফম থোকপা কয়াদুদি হায়হৌদে।

ষ্ট্রাইক লোইখ্রে। য়ুনাইতেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্না থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না - ১৯৯১, অনৌবা ইকনমিক পোলিসি চৎনবা হৌখিভৈদগী থোক্লকখিবা বেঙ্কিং রিগ্যুলেসন শেমদোক্লবা অমদি বেঙ্কিং সেক্তর অসি পুমশেম শেমদোক্লবা গভর্নমেন্টকী থৌরাং অসিগী মায়োক্তা পাঙথোক্লকখিবা ষ্ট্রাইকশিংগী মনুংদা খ্বাইদই চাউনা মায় পাকখিবা ষ্ট্রাইক অমনি হায়রি। পব্লিক শেক্তর বেঙ্ক পুম্নমক, মমাংঙৈগী অরিবা প্রাইবেৎ সেক্তর বেঙ্কশিং, কো-ওপরেতিব অমদি রুরেল বেঙ্কশিং - ভারত শীনবা থুংনা থোঙ লোনখি। ইন্দিয়ন ইকনমিক এক্তিভিতি পুম্নমক পুমলেপ লেপ্পগুমখি। লুপা ক্রোর ২০,০০০ হেনবগী বিজিনেস ত্রান্সেক্সন নুংতিগী তৌরম্বা ক্লিয়ারিং হাউজ পুমলেপ লেপখি।

তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ১৭ থমদুনা পাঙথোকখিবা, নোংমগী ওইবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইক! কয়ামুক মরুওইবনো, থম্মোয়- পাউদম কাখলসিদা নুমিৎ নীনিগী মফম লৌদুনা মীয়ামদা তমগে খল্লুরিবা? বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিং অদুগী মরম্নাই ওইবা দিমান্দদা পাঙথোকপা ষ্ট্রাইক ওইরম্লবা, পাউদম অসি তমদুনা মীয়ামগী মতম মাঙহল্লম্লোই। ইম্ফালগী ষ্টেট-বেঙ্ক-মেইন-ব্রাঞ্চ মমাঙদা পুম্নমক্কী পুনফম ওইরগা পাঙথোকখিবা মীফমদুনা মরূওইবা শক্তম ওইরগা চঙশিনখিবা ষ্ট্রাইকনি। মীফমদুদা বেঙ্ক য়ুনিয়নগী লীদরশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদুগী খল্লুরগদি - অমুক্তা নত্তে, হঞ্জিন হঞ্জিন ইগদবনি খঞ্জদুনা অমুকসু হন্না ইরিবনি। অতোপ্পা কোল্লম কয়াদসু লেপ্পা লৈত ইগদবনি। মরমদি, বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজঙসি, মশাগীদমক নত্তে - মীচম মীয়ামগীদমক্নি। হংবীনিংলমগনি - করম্না?

লাইরিক অমা ওইনা ইরগা ফোঙলগা তম্লবতদা, মতীক চাবা পাউদম ওইগদবদু ৱাহৈ চামরী চামঙাগী মতেঙ লৌরগা তম্বনা মরীক চুম্বা হৌনদে। অদুবু, অঙাং ওইরিঙৈ ওজাশিংনা তম্বীরকখিবা 'ৱা মচং' ইবই তেক্লিক্তু হাইফেৎ পানশিল্লগা ইনবা হোৎনজবনি। পব্লিক সেক্তর, প্রাইভেৎ সেক্তর অনীমক্তা লৈরিবা (তূংশিল্লিবা) শেনফম পুম্নমকসি লায়রবা মীচম-মীয়ামগী ৱানা তাঞ্জবা শেনফমদুনা অয়াম্বনি (চাদা ৮৮)। ঈনাক খুনবই মরলদি খুজোক খরখক্তনি। অদুবু, লায়রবগী অশেঙবা মরলদু ঈনাকখুনবা মীওই খরখক শেমগৎনবা হোৎনবদা শীজিন্নবই থৌশিলসি, মতম মতমগী লৈঙাক কয়াদুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী হোৎনদুনা লাকখি।

মাঙদা তারিবা অচুম্বসি অমুক্তং খঙদোকমিন্নসি। ইন্দিয়াসিগী মনুংদা পুথোকপা পোৎথোকশিংগী অপুনবা ভেল্যু (গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক, জি দি পি) সুপ্পগী লুপা ক্রোর লাখ ১৪৪ খক্তনি। ইন্দিয়াগী মীয়ামদা পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংনা পীখিবা অপূনবা লোনগী শেনফম লুপা ক্রোর লাখ ৭০ নি। ক্রোর লাখ ৭০ সিগী মনুংদা ক্রোর লাখ ১৩ দি লৌথোকখ্রবা শিংলক্ত্রবা (শিংউ য়াদ্রবা, বেদ লোন), শেন্দোয় ফাওবা লাক্ত্রবা লোনগী শেনফম অদুনি। লুপা লাখ ১৩ শিগী মনুংদা অমুকসু লুপা লাখ ৭ তি অচৌবা কম্পেনি খরখক্তদা পীবনি। লোন শিংঙু য়াদবা হুরানবশিংদুই মীং ফোঙদোকউ, অকনবা চৈরাক লাউথোক্তুনা নমদুনা শেল খোমগৎলু, ফারগা জেলদা নমশিল্লু - য়ুনিয়নশিংগী দিমান্দনি। লৈঙাক্ল হায়, মখোয়গী মীং ফোঙদোকপা লৈপাকসিগী 'লো' না য়াদে। অদুবু, মখোয়না লৌখিবা লোন'দু কোকথোকপীবদি করম্বা 'লো' না য়াবনো? থবকসিদি তৌদুনা লাক্লি মখোয়না। য়ুনিয়ন্না হায়, মখোয়গী লোন কোকপা য়ারোই। শেনফম অদু মীয়ামগীনি, সরকারগী মরল নত্তে। 'লোন'শিং অদু পীথোক্লম্বা (সেঙ্কসন তৌরম্বা) সরকারগী মীহুৎ (দাইরেক্তর) শিংদুসু দাইত্বদগী নাম্থোকপা য়ারোই।

গভর্নমেন্টনা লোৎশিন্দুনা থম্বা হুরানবশিংদুনা ফোংনা লুত তৌবদা ফিবম শোক্লবা বেঙ্কশিং, লৈঙাকপশিংনা হায়রকই, শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদা পীথোকখ্রনি, প্রাইবেতাইজ তৌরনি। অশোনবা বেঙ্কশিং মুখৎলনি। বেঙ্ক ময়াম পুনশিল্লগা অকনবা বেঙ্ক শেমগনি, অচৌবা বেঙ্ক শেমগৎলগা অচৌবা লোন পীহনগনি। অচৌবা লোন পীরগা মীয়াম ঈনাক খুলহন্নি। 'বেঙ্কিং কম্পেনি এক্ট শেমদোক্লগা, লোন থৌবগী থবক্তু বেঙ্কশিংবু তৌহল্লরোই, রিজর্ব বেঙ্ক'পু তৌহল্লনি' - কয়াদা মথোাঙ হুকখিদ্রবা সরকারসিগী থৌশিলনো য়েংবীয়ু। আর বি আই - গভর্নমেন্টকী বেঙ্কিং পোলিসি শেম্বগী থৌদাংদু থাদোক্লগা, রিকোভরি এজেন্ট ওইদৌরিবরা? য়ুনিয়নশিংগী ৱাহংনি।

অসিনা অরোইবা নত্তে, লেপ্পা লৈতনা মূক্লরকখিনি, মপূক শেংদবা লৈঙাক মীয়ামদা শবাক ফাক্লনি। য়ুনিয়নশিংনা শীংনরি।

লৌশিং পুক্কৈ

# ইমুংদা উচি লৈবনা লায়না পোকহন্নবগী মরম ওই




উচি য়াম্না লৈবা ইমুংগী মীওইশিং মশা-মউ ফৎকন্দে। উচিনা অকোয়বদগী লায়না পোকহল্লকপা য়াবা পোৎলমশিং চেনশিল্লগা ইমুংদা চাইথোরকই। ঙানু-য়েন অমদি মীওইবগী হকশেলদা উচিনা মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকপা তারবসু মীওই অয়াম্বনা ৱাফম অসি ইথৌ-থৌশানদে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা চৎখিবা ষ্টদি অমদা পেথোজেনিক ঈ-কোলি কৌবা লায়না পোকহল্লপা য়াবা বেক্টরিয়া মখল অমা উচি মথীশিংদা য়াওই হায়বা খঙলকখি। বৃটিশ কলম্বিয়াগী ফার্ম অমদা লৈরম্বা উচি মথীশিং চাংয়েং তৌবদা মখল কয়াগী হীদাক চঙবা ঙম্লোইদবা মহীক অমা য়াওরম্বসু থেংনরকখি। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা চেলসী হিমসরর্থনা হায়খি, উচিনা অকোয়বদগী পেথোজেনিক ঈ-কোলি লৌশিল্লগা ইমুংদা শন্দাকপা ঙম্মী হায়বা খঙলবনিনা অতৈ অতোপ্পা হান্না খঙনরমদবা লায়না কয়াসু শন্দোক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

ইমুংদা উচি লৈবগী থৌওংবু তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়খি, সাইন্টিষ্ট অমদি পেষ্ট কন্ট্রোল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাক লৌরগা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা উচি লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'জর্নেল ওফ ৱাইল্ডলাইফ দিজিজেজ' দা হন্দক ফোঙল-কখিবনি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননসু ইমুংদা উচি লৈবনা মীওইবদা লায়না কয়া শন্দারকই হায়না ফোঙদোকখি। সী দি সীগী রিপোর্ট অমনা হায়রি, ইমুংগী মফম কয়াদা চাইথোরকপা উচিগী মথী ময়ুং অমদি মতিলদা য়াওবা মহীকশিংনা মীওইবদা হেন্টাইভাইরস পলমোনরি সিন্দ্রোম (ঐচ পি এস) কৌবা লায়না অমা শন্দোরকই। কুমজা ১৯৯৩ দা ইহান হানবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থেংনরকখিবা লায়না অসিনা কনাগুম্বা অমবু শিহনবা ফাওবা য়াই।

উচিদা লৈবা মহীকশিংনা ম্যুরিন চাইফম কৌবা লায়না মীওইবদা শন্দারকপা য়াই। আর টাইফি কৌবা মহীক চেল্লবা উচিগী মহীকশিংনা মীওইবদা চীল্লবা মতমদা লায়না অসি শন্দোরকপনি। উচিনা চীকখিবা নৎত্রগা খোৎখিবা মতমদা রেট-বাইট ফিবর (আর বি এস) কৌবা লায়না অমা ওইহল্লকপা নৎত্রগা ঈশিং থক্লুবদগীসু লায়না অসি ওইহল্লকই।

সালমোনেলা এন্টরিকা সেৱোবার টাইফিমরিয়ম কৌবা উচিদা পকপা মহীক অমনা মীওইবদা চীকখ্রগা ওবা-ফাইবগী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। ইম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল শোল্লিবা মরম্না পীল্লিবা অঙাংশিংদা লায়না অসি তোয়না নাবা থেংনৈ। অহল ওইশিল্লক্লবা অমদি ইম্যুন সিষ্টেমগা মরী লৈনবা লায়না লৈবা মীওইশিংদসু লায়না অসি অরায়বা মওংদা চঙবা ঙম্মী।

সী দি সীগী রিপোর্টনা হায়খি, উচিদা য়াওবা লেপ্টোস্পিরা কৌবা মহীক অমনা মীওইবদা লেপ্টোস্পিরোসিস কৌবা লায়না ওইহল্লকপা য়াই। লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওইবদা তোঙান-তোঙানবা লায়ওং কয়া উৎথোরকই। কনাগুম্বা খরদা লায়ওং অমত্তা উৎথোরক্তবসু য়াই। লেপ্টোস্পিরোসিসকী মরুওইবা লায়ওংশিংদি লায়হৌ হৌবা, কোক চীকপা, হকচাং ঈংবা, মশল নাবা অমদি ওবা-ফাইবনি। করিগুম্বদা উনসা অমদি মীৎতা নাপু মচু কারক্তুনা জোন্দিস ওইহল্লকপা য়াই।

লায়না অসিনা নাবদগী খোঙ হামথরকপা মতমদা মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি কনাগুম্বা অমবু কিন্দনি ফেল ওইহল্লকপদগী শিহল্লি। কনাগুম্বা খরদা মেনিঞ্জাইটিস (ব্রেন অমদি স্পাইনেল কোর্দকী অকোয়বদা লৈবা মেম্ব্রেনদা ইনফ্লেমেসন তৌবা), লিভর ফেল ওইবা অমদি নিংশা শ্বর মরীদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াওই।

ইমুংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা উচিনা ইলেক্ট্রিক ৱায়রদগী হৌরগা লুখাক চগুম্নচিংবা পোৎলম খুদিংমক চায় অমসুং চীকথৎলি। ইমুংদা মশীং থীঙমদনা লৈরিবা উচিনা চোইথোরকপা মথী-ময়ুংদা লায়না পোকহল্লকপা য়াবা মহীক-মতায় কয়ামরুম য়াওই হায়বা খক কাউরোইদবনি। ইশম-শম্না হায়রবদা মীওইবনা য়ুম অমদা উচিশিংগা পুন্না লৈমিন্নরিবনি। অদুবু উচিনা মীওইবদা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগী মতাংদদি মীওই অয়াম্বনা থৌশানদে।

করিগুম্বদা খঙহৌদবদগী উচিনা চারম্বা চাক লুখাক চাবা মীওই কয়াসু লৈতবা নত্তে। উচিগী মথী-ময়ুং অমদি মতিলদা হেন্টা ভাইরস কৌবা মহীক অমা য়াওবনিনা উচিগী লুখাক চারুবদগী মীওই কয়া লায়না পল্লকই। অদুবু উচিনা থোকহল্লকপা লায়নানি হায়বা খঙদবনিনা অরানবা মওংদা লায়েংবগী থৌরাং লৌখৎনৈ। খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোক্ল বগীদমক ইমুং অমদি অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থম্বগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ ইমুংদা উচি লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। মখল কয়াগী থৌরাং লৌখৎতুনা ইমুংদা উচি লৈহন্দনবা হোৎনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। ইমুংগী মফম অমদা উচি অশিবা নৎত্রগা উচি মথী লৈরম্বা থেংনরবদি চেকশিন্না লৌথোক্তুনা হুন্দোকখ্রবা মতুংদা মহীক-মতায় হাৎনবা দিসাই-ফেক্টেন্ট মহী চাইথোক্কদবনি। থৌরাং অসি লৌখৎপদা হেন্দ গ্লোব উপ্পা মথৌ তাই।

# কিহোম পুথোকপগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা চথ্খগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) :

কৃষি ভিগ্যান কেন্দ্র (কে ভি কে) চুড়াচান্দপুর, আই সী আর রিছর্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন্না শীন্দুনা কিহোমগী পোথোক হেনগৎহন্নবগী মতাংদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী ত্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে।

কে ভি কে চুড়াচান্দপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমপ্রুব প্রদক্সন টেক্নোলোজি ওফ পাইনেপল এন্দ খাসি মেন্দরিন হায়বা হীরমদা থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথ্খগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা এ সী টু দি সী চুড়াচান্দপুর, থেলাঞ্জয় গাঙতেনা চীফ গেষ্ট ওইখি। কে ভি কে চুড়াচান্দপুর সেনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. নিরঞ্জন লালনা প্রসিদেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর রাধাচরন, বোর্দ ওফ দিরেক্তর নেসনল হোর্টিকলচর বোর্দকী এক্স মেম্বর এল বি সিনাতে, আই সী আর মণিপুরগী সাইন্টিষ্ট ডা. এস এস রোয়না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ডা. এস এস রোয়না নোর্থইষ্ট রিজনদা এন ঈ সীগী ফন্দ মখাদা পায়খৎলিবা ইন্টিগ্রেটেদ হোর্টিকলচর অমদি ফিসরিগী প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

এ সী টু দি সী চুড়াচান্দপুর থেলাঞ্জয় গাঙতেনা হায়খি, লৌউ-শিংউবগী থবক হায়বসি য়াম্না ইকাইখুম্ননিংঙাই ওইবা থবক্নি। লৌমী অমা ওইবগী চাউথোকচবা ফাওবা তাই। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা লৌমীশিংনা কে ভি কে চুড়াচান্দপুরদগী লমজিং লমতাক কয়া লৌদুনা লৌউ-শিংউগী পোত্থোক অমদি হোর্টিকলচরগী পোত্থোকশিং পুথোক্লবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি। ডা. নিরঞ্জন্না ফোঙদোকখিবদা, চুড়াচান্দপুরগী কে ভি কেনা লৌমীশিংগী তঙায়ফদবা হীরম কয়াদা লমজিং লমতাকপগী থবক্তা মতেঙ পাঙনবগী মীৎয়েং চঙগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা রিসোর্ছ পর্সন কয়ানা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংনা পোত্থোক হেনগৎহন্দুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা অমদি উহৈ ৱাহৈগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্নখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লৌমী ৬০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এস এম এস হোর্টিকলচর ডা. আর কে রোসন, ফার্ম মেনেজর বসিল, এস এম এস হোম সাইন্স রোমানচিংবা কয়ানা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাংখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি

# শৈপালগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে, শৈরাংবা শৈরেংবী কয়াবু ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) :

শৈহেক শৈরেং শৈপান শেমগৎলুপ (শৈপাল) গী ১১ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা শক্লাইরবা শৈরেংবী ঙাংবম ইবেতোম্বীদা চহী অসিগী শৈরেংবী হায়না শৈপালনা অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। শৈরেংবী, শৈরাংবা কয়াদসু ইকায়খুম্নখ্রে।



এম দি য়ুদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবা শৈরাংবা, শৈরেংবীশিং অদুদি ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম, খাঙেম্বম ইবেতোন, ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনী, আরকে সনাহনবী, যমুনা ময়েংবমনি। থৌরম অদুদা অইবা ২৯ দগী খোমজিনবা *নৱাগী শৈরেং* অমসুং খাঙেনবম ইবেতোন্না ইবা *থাজ থানিল ওইদুনসু* হায়না মীংথোনবা লাইরিক অনীসু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি আর দি এন্দ পি আর হৈখাম দিঙ্গোনা চীফ গেষ্ট, শৈপালগী প্রসিদেন্ট থোকচোম চন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমদি এ আই আর ইম্ফালগী ষ্টেসন দিরেক্তর দিলিপ ময়েংবমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এ আই আর ইম্ফালগী ষ্টেসন দিরেক্তর দিলিপ ময়েংবমনা হায়খি, ঈশৈ হায়বসি অরায়বা নত্তে। মীগী থম্মোয়বু খুদুম চনবা আর্টনি। সরত অরাম্বমনা মমল য়াম্লবা ঈশৈ কয়া থম্বীরম্মী। অইবা খুদিংমক্কী মফোঙদোক তোঙাল্লি। সরত অরাম্বমদি ৱারী লিদে। সেন্তেন্সনা ৱাহন্থোক য়াম্না পী। থাংজম কোরাগী ঈশৈদা মতিক ময়াই য়াম্না য়াওই। অসিগুম্বা ঈশৈ ইবসি মশীং য়াম্না থোক্লক্তে। রেদিওনা ঙসি ফাওবা শন্দাক্লিবা ফিল্মগী ঈশৈদা বঙ্ক শর্ম্মনা ইবা মৈচাক ফিল্মগী ঈশৈ অসি দিষ্টিঙ্ক ওই। মরমদি ফিল্ম ঈশৈগী ময়েক, সুর, মসিগী ম্যুজিসিয়নগী ক্বালিটি অসুক্কী মতিক ফবননি। অঙাংশিংগী ঈশৈ ইবা হায়বসিসু রিদম তোঙাল্লি। হৌজিক্কী অঙাংশিংনা অঙাংগী লিটরেচর ইবদা পাদে। মপানগী কোমিক, মপানগী লাইরিক পারগা মখোয়না চাউথোকচবা পোকই। ঐখোয়গী অঙাংশিংনা করম্না পানিংগনি হায়বসি য়েংশিনবা চঙই। নৎত্রবদি তে তে তেনৱাগী মহুত্তা ত্বিঙ্কল ত্বিঙ্কলনা শীনখ্রগনি। ঐখোয়গী ফজরবা লোল অমদি ফজরবা রিদমদা চঙশিনসি। ঈশৈ হায়বসি নুংঙাইহন্নবনি। অঙাংগী ঈশৈ ফজবা লৈরবদি পীবীরকউ, রেদিওদা থাজগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ঐচ দিঙ্গোনা, শৈপালনা চাউখৎনব- গীদমক হোৎনরকপদা অঙম্বা মতেঙ পাঙগে। ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংসু খঙহন্নবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি।

# পেনা অশৈবা য়াইমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) :

লাইনিংথৌ সনামহি অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবীগী মতম শাংনা পেনা শঙলাকপা ওইনা থৌগল পুরক্লবা নম্বোল লৈমপোকপমদগী শক্লাইরবা পেনা অশৈবা লৈমপোকপম য়াইমা থা অসিগী ২০ দা মশাগী য়ুমদা অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে হায়না লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্দকী এগজিক্যুটিব ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈমপোকপম য়াইমা মতম শাংনা হয়িং খোঙবালদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইশঙগী থৌগল পুরম্বতা নত্তনা পেনা হায়বা শৈশক অসিদা লৈবাক্লা শকখঙলবা অশৈবনি। অশৈবা অসিগী মচা পেনা শৈশক্লোই কয়া মণিপুরগী মনুং অমদি মপানদা শিন থুংনা লৈখ্রে। শৈশকপা অসি এ আই আর ইম্ফালগী শকখঙলবা শৈশক্লোয় অমনি। মণিপুরগী মপানদা লৈবা লৈবাক কয়াদসু পেনাগী শৈশক কয়া উৎলুরে। লৈমপোকপম য়াইমা মীতৈ পেনাগী মরমদতা নত্তনা উমং লাই হরাওবগী লমদা অখঙ অহৈ ওইনা শকখঙলবা মীওইনি। শক্লাইরবা অসিনা লৈখিদবদা লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্দকী মায়কৈদগী বোর্দ মেম্বর অমসুং শঙলাকপা ডা. সগোলশেম লনচেনবা মৈতৈনা মীফম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ফোঙখি। মীফম অদুদা টেম্পল বোর্দকী মেম্বরশিং অমদি থৌগল্লোয় কয়াসু শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবগী থৱাই মিরেলনা তেংবাংবা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীনবা অমদি মথংগী মপোক্তা লাইনিংথৌগী থৌগল্লোয় ওইনা অমুক হন্না পোকহনবীনবা লাইনিংথৌ সনামহি অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীগী মফমদা থৌনিজখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মেম্বর ওইনা শরুক য়ারুগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) :

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই) ২০১৭ কী প্রিভিয়ু কম্মিটি অমা ভিভেক অগ্নিহোত্রিনা কনভিনর ওইদুনা থা অসিগী ২১ দা শেমখ্রে।

নবেম্বর থাদা গোৱাগী পানাজিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিগী প্রিভিয়ু কম্মিটি অসিদা নেসনেলগী থাক্তা মনা ফঙলকখ্রবা দিরেক্তর য়াওনা মীওই ৪০ রোম য়াওরি। ষ্টেট অসিগী ওইনসু নেসনেলগী থাক্তা মনা ফঙলকখ্রবা দিরেক্তর লিলোং চজিং চীংখোঙ লৈকাইদগী মাইপাকসনা হাউরোংবম অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্দ্রাকপমদগী ভুমেঞ্জয় কোনসমসু কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইনা শরুক য়ারুগনি হায়না দিরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলিসেন্সকী চেরোল অমনা হায়রি।

# কেম্পেয়ন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস) :

সকশম মণিপুর প্রান্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দা ইবোয়াইমা সুমাং লীলা শঙলেন কোনুং মমাংদা আই দোনেসন কেম্পেয়ন ফোর্টনাইট পাঙথোক্কদৌরি। মীওইবনা শিরবা মতুংদা মীৎ দোনেসন তৌবগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীনবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা আই দোনেসন ফোর্টনাইট কেম্পেয়ন পাঙথোকপনি। কেম্পেয়ন অসি চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৮ ফাওবা চথ্খগনি।

কেম্পেয়ইন হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দ অমদি মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এল রাধাকিশ্বরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি। নেসনেল আই দোনেসন ফোর্টনাইট অসি চহী খুদিংগী ওইনা ওগষ্ট ২৫ দগী সেপ্তেম্বর ৮ ফাওবা পাঙথোক্নৈ হায়রি।



HL-P/2553/19,21,23,26,30Aug&3,7,15,19,23,27Sept&1,5 Oct.